রফেল, কবেরিগী মতাংদা চরাংনবা থোরকপদগী লোক সভা মীফম য়ৈথোকখ্রে; দিসেম্বর ২৭ তা পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): এ আই এ দি এম কে, টি দি পি অমসুং কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখৎলদুনা চরাংনবা থোকহল্লকপদগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা লোক সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে।

খৃষ্টমাসনা মরম ওইরগা দিসেম্বর ২৬ তা মীফম লৈরোইদবা মরম্না লোক সভাগী মীফম দিসেম্বর ২৭ তা পাঙথোক্লগনি। জিরো অৱার হৌগৎলকপদা এ আই এ দি এম কে, টি দি পি অমসুং কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা হাউসকী ৱেলদা চঙদুনা কবেরি তুরেলদা দাম শাবগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি। টি দি পিগী মেম্বরশিংনা অন্ধ্র প্রদেশকী ৱাফম পুখৎনবা হোৎনখি। কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনদি রফেল দিলগী মতাংদা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি টিম শেমগদবনি হায়না তকশিনখি।

পব্লিক একাউন্টস কম্মিটি অমসুং ষ্টেন্দিং কম্মিটি অনীগী রিপোর্ট হাউসতা পুখৎলকখিবগা লোয়ননা জিরো অৱার মতমদা মেম্বর মঙানা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখৎলকখি। মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রস অর্জুন রাম মেঘৱালনা হায়খি মদুদি, খৃষ্টমাসকী য়েংলগা দিসেম্বর ২৪ অমসুং ২৬ ছুটি ওইনবা মেম্বর কয়ানা হায়জরকপা লৈরে।

মতাং অদুদা স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা হায়খি, দিসেম্বর ২৪ অমসুং ২৬ তা হাউসকী মীফম লৈরোই। মতাং অদুদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা চরাংনবা থোকহল্লকপদগী স্পিকরনা ঙসি নোংমগী ওইনা মীফম য়ৈথোকখি। দিসেম্বর ২৭ তা মীফম পাঙথোক্কনি হায়রি।

স্পিকরনা হায়খি, মেম্বর খুদিংমক মীয়ামগী মীহুৎনি খঙনা থবক তৌবগা লোয়ননা অরেন্দ্বা মতম মাঙহন্নবা হোৎনরোইদবনি। হাউসকী মীফমদা অপনবা থোকহন্দনবগী মতাংদা মহাজননা চ্যেরমেন ওইদুনা লোক সভাগী রুলস কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমীৎতসু লোক সভাদা সরোগেসি রেগ্যুলেসন বিল পাস তৌরবা মতুংদা কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন বিল পুখৎনবা হোৎনরিঙৈদা ওপোজিসন্না চরাংনবা থোকহল্লকপদগী মীফম য়ৈথোককপা তাখি। এ আই এ দি এম কে, তেলুগু দেসম পার্টি অমসুং কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা হাউসতা স্লোগান লাউদুনা চরাংনবা থোকহল্লকপদগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা তঙাইফদনা মীফম য়ৈথোকখিবনি। হঞ্জিন-হঞ্জিন থেমজিন্নবা হোৎনবদা কান্নবা ফংখিদ্রবা মতুংদা স্পিকরনা হায়খি, তামিল নাদুগী মেম্বরশিংনা স্লোগান লাউদুনা হাউসকী মীফম পাঙথোকপা য়াহন্দ্রবদি করিগুম্বা ৱাথোক অমত্তা মপুং ফানা লোইশিনবা ঙম্লোই। নিংথম মীফম হেক হৌবদগী এ আই এ দি এম কেগী মেম্বরশিংনা কবেরি দেল্টাদা লৈরিবা তামিল লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা ৱাফম পুখৎতুনা লাকখি। হিরম অসিগী মতাংদা স্পিকরনা হায়খি, লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু মেম্বরশিংনা স্লোগান লাউদুনা হাউসতা চরাংনবা থোকহল্লবদি ৱাফম অমত্তা খন্নবা য়াদবা মরম্না লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্বগী ফীভম লৈরোই।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পাসৱাননা কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন বিল পুথোক্লবা হোৎনরকপদা ওপোজিসন্না অপনবা পীরকপদগী বিল অসি শগোলশেন নুমীৎতা ওইনা পুথোক্লগনি হায়না স্পিকরনা ফোঙদোকখি। টি দি পিগী মেম্বরশিংনা অন্ধ্র প্রদেশতা স্পেসল কেটেগোরি ষ্টেটস পীগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা হাউসকী ৱেলদা চঙশিল্লকখি। ৱাহং-পাউখুম মতমদা শুপ্পগী মীনিট ১০ খক হাউসকী থবক থৌরম পায়খৎলবা মতুংদা তঙাইফদনা নুংথিল পুং ২ ফাওবা মীফম য়ৈথোকপা তাখি। হিরম অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রস মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ তোমারনা রফেল দিল য়াওনা ৱাফম খুদিংমক খন্নবা লৈঙাক্লা শেম-শাদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

হাউসকী দেপ্যুটি লিদর ওইরিবা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু ওপোজিসন্না পুখৎলকপা ৱাফম পুম্নমক ট্রেজরি বেঞ্চনা খন্ননবা শেম-শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। জিরো অৱার মতমদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা মালিকঅর্জুন খার্গেনা রফেল দিলগী মতাংদা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি শেম্লগা থিগৎহনগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। লৈঙাক্লা রফেল দিলগী মতাংদা সুপ্রীম কোর্টপু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে হায়না সী পি আই (এম) গী মেম্বর মহম্মদ সলিমনা মরাল শিরকখি।

অমরোমদা রাজ্য সভাগী ওইনসু থংন-থংননা নুমীৎ ৮ নি মীফম পাঙথোকপা য়াখিদ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা গভর্ণমেন্টপু মরাল শিরদুনা হায়, হাউসকী চ্যেরমেন এম ভেনকয়া নাইদুনা মওং চুম্না মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎত্রে। ৱাথোক খুদিংমক অচুম্বা মওংদা খন্ননবা থৌরাং লৌখৎতবা মরম্না হাউসতা চরাংনবা থোকপনি হায়না কোংগ্রেসকী মেম্বর বি কে হরিপ্রসাদনা এন দি এ গভর্ণমেন্টতা মরাল শিখি।

চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা লৈবাক ২গী মরক্তা অহেনবা মরী থম্নবা হোৎনরি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): চাইনা অমসুং য়ুম্লোন্নবা লৈবাক ইনি দয়াগা মমাঙদা লৈনখিবা মরীশিং অদুগী মখা তানা হেন্না ফগৎনবগী পান্দমদা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমসুং চাইনাগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর ৱাং য়িনা ঙসি উনদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু মরুওইনা 'টেন পিল্লরস' গী ৱাফমদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লগা মরী হেন্না ফগৎনবগী ৱাফম ফোঙদোক্লখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ন্যু দিল্লিদা থুংখিবা চাইনাগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর ৱাং য়িনা ইনি দয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর ওইরিবা সুস্মা স্বরাজগা ৱারী শানদুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অনীগী মরমদা মমাঙদা লৈরম্বা মরী অদু হেন্না ফগৎনবগী মতাংদা ৱারী শানবগা লোয়ননা 'টেন পিল্লরস' গী মতাংদা হেন্না চুংশিন্নবা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লখি।

ঙসি উনখিবা অদুদা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী 'হায় লেবেল মেকানিজম ওন কলচরেল এন্দ পিপল টু পিপল এক্সচেঞ্জ' হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱুহান সম্মিটতা চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা য়ানখিবা ৱারোল অদুগী মখা তাদুনা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা মখা তানা লৈনবা মরী ফগৎহন্নবগীদমক ৱাফম কয়া খন্নখি।

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী কাউন্টর পার্ট চাইনাগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর ৱাং য়িগা পুং ২ রোম ৱারী শানবা অদুনা লৈবাক অনীগী লৈনরিবা মরী অদু মরুওইনা কলচরেল অমসুং পিপল টু পিপলগী থাক্তা অহেনবা ৱাখল্লোন থমদুনা 'টেন পিল্লরস' কী য়ানবা অদু লৈবাক অনীগী মরক্তা পাউ মরিক চুম্না ফাউদোক্লদুনা অনৌবা য়ানবা অমা পুরক্কবগী ৱাফম ফোঙদোক্লখি।

টেন পিল্লরস হায়না মিংথোনবা য়ানবা অদুদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী কলচরগী ওইবা থবক থৌরম খুদিংমক য়েংমিন্নবা অমসুং খঙমিন্নবগী থবক য়াওরি। মদুগী মখা তাবদা ফিল্ম অমসুং টেলিভিজনগী মতাংদা অমদি ম্যুজিয়ম এদমিনিষ্ট্রেসন, স্পোর্টসকী মতাংদা কোওপরেসন অমসুং নহা ওইরিবা মীওইশিংগী মরক্তা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনবগী য়ানবা পুরকখি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা মমাঙদা ৱারী শানখিবা ৱুহান সম্মিট অদুগী মখা তানা লৈবাক অনীগী মরক্তা অহেনবা কলচরগী থবক থৌরমশিংদা কোক চুংশিনমিন্নদুনা শরুক য়ামিন্নবা অমদি চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা অমগা অমগা উনবদা হেন্না মতেং ফংহন্নবগী পান্দম অদু মখা তানা লৈবাক অনীগী ফোরেন মিনিষ্টর অনীনা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকখি।

কমল নাথনা মধ্য প্রদেশকী সী এম ওইরবা মতুং ষ্টেট অদুগী আই এ এস ওফিসর ৪৮ ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ভোপাল, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী য়াম্না মরুওইবা ষ্টেট অমা ওইরিবা মধ্য প্রদেশকী হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসেমব্লী মীখলদা মমাঙদা বি জে পিনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা অদু কোংগ্রেস পার্টিনা ষ্টেট অদুদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না ভোট ফংবদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা ষ্টেট অদুগী কমল নাথনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরক্লবা মতুং নুমীৎ হুম্নীগী মনুংদা ষ্টেট অদুগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী থৌ পুরিবা আই এ এস ওফিসর ৪৮ গী মফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

কমল নাথকী লৈঙাক্লা মধ্য প্রদেশতা আই এ এস ৪৮ গী থবক তৌফম হোংদোক হোংজিন তৌখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর ২৪ সু মখোয় মখোয়না হান্না থবক তৌদুনা লৈরম্বা মফম অদুদগী হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

পনবা য়াই, য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মধ্য প্রদেশকী কমল নাথনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট অদুদা লৈরিবা য়াম্না মরুওইবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরিবা সাঞ্চি য়ুনিভর্সিটিদিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী থৌ পুরম্বা সিনিয়র ওফিসর মনোজ শ্রিবাস্তভাবু ষ্টেট অদুদা লৈরিবা মরুওইবা দিপার্টমেন্টশিংগী মনুং চন্না কম্মর্সিএল টেক্স, এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্ট অমদি ষ্টেট অদুগী এদিসনল চীফ সেক্রেটরিগী থৌ পুহনখি।

নৌনা থৌ পুরবা চীফ মিনিষ্টর কমল নাথকী লৈঙাক্কী নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌখিবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না হান্না সাঞ্চি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরম্বা মনোজ শ্রিবাস্তভানা ষ্টেট অদুগী প্রোফেসনল এগজামিনেসন বোর্দ (পি বি) গী চ্যেরমেনগী এদিসনল চার্জপুহনগদৌরি।

মধ্য প্রদেশতা হৌখিবা চহী কয়াদা বি জে পিগী লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থৌ পুহনখিবা মীওইশিং অদুগী মহুৎ শিনবা ওইনা কমল নাথ লৈঙাক্লা অহানবা ওইনা সাঞ্চি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর মনোজ শ্রিবাস্তভাবু অহেনবা থবক থৌরম কয়াগী লুচিংবা ওইহল্লকপগী খোঙথাং পায়খৎলকপনি।

কমল নাথকী অনৌবা লৈঙাক অসিগী হুম্নী শুবা নুমীৎতা মধ্য প্রদেশ ষ্টেটতা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ২৪ গী কলেক্টরগী ফমসু হোংদোক হোংজিন তৌখি। ইন্দোর, ধর, রাটলম অমসুং কাটনিগী দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরশিংগী ফম অদুদি লেংহন্দ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট কয়াগী কলেক্টরশিংগী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদা, ষ্টেট অদুদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লী মীখলগী মাঙওইননা রেৱা দিষ্ট্রিক্টকী কলেক্টর প্রিটি মাইথিলনা মীখলগা মরী লৈননা ঈ ভি এম থমখিবা ষ্ট্রোং রুমল অদুগী অকোয়বদা করিগুম্বা পামদবা থৌদোক থোকহনবা য়াবা মীওইশিং লাক্লবদি নোংমৈ কাপ্পা য়াবগী অয়াবা পীখি। হায়রিবা কলেক্টর প্রিটি মাইথিল কমল নাথ লৈঙাক্কী হুম্নী শুবা নুমীৎতা রেৱাদগী সাগর দিষ্ট্রিক্টতা ট্রান্সফর তৌখি। কমল নাথনা হান্নগী সী এম শিবরাজ চৌহানগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ওইরম্বা অশোক বর্নৱালবুদি অদুম্মক মহাক্কী থবক পুহনখি।

জোন্সন এন্দ জোন্সনগী ফেক্টরিদা ড্রগ রেগ্যুলেটরশিংনা সেম্পল লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী সেন্ট্রেল ড্রগ ষ্টেন্দর্দ কনট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও) অমসুং লোকেল ফুদ এন্দ ড্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ)গী ড্রগ রেগ্যুলেটরশিংনা মমিং লৈরবা ফার্মাসুটিকেল কম্পেনি অমা ওইরিবা জোন্সন এন্দ জোন্সনগী হিদাক শুংফম ফেক্টরি খরদা চৎতুনা সেম্পল লৌখৎখ্রে হায়না সী দি এস সী ওগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা ফোঙদোরকপা ৱাফমদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ড্রগ রেগ্যুলেটরশিংনা জোন্সন এন্দ জোন্সনগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ফেক্টরিশিংদা চৎতুনা সেম্পল লৌখিবা অদুদা কম্পেনি অদুগী মীওইশিংনা চাউনা মতেং পীখি হায়রি।

পনবা য়াই, মালেমগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সী রোইটরগী রিপোর্ট অমদা জোন্সন এন্দ জোন্সন বেবি পাউদর হায়না খঙনরিবা মমিং লৈরবা পোথোক অসিদা কেন্সর থোকহনবা য়াবা কেমিকেল য়াওই হায়বগী মতাংদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা জোন্সন এন্দ জোন্সন কম্পেনিগী ফেক্টরশিংদা সেম্পলশিং লৌখৎখিবনি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

Ref:- Mut. Case No. 575/SDC/Bishnupur, 2018

1. Thoudam Shantibala Devi W/o (L) Th. Manibabu of Kwashiphai Maning Leikai.
2. Laishram Babumacha Singh S/o L. Babuyaima of –do–.

-Petitioners

-Vrs-

1. Manisana R.K. S/o Sanahal of Chingamakha Nameirakpam Leikai.
2. Irengbam Ibohal Singh S/o I. Abungjao of Kwashiphai.

-O.Ps.

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Bishnupur, the 20th Dec. 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্কী O.P. অনীগী মীংদা লৈবা পাট্টা নং 24 (অরিবা)। 167 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 71 গী 1.115 acre চাওবা ফৌরেল অসি পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিংগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Bishnupur

HL-P/2785/22

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref:- Mut. Case No. 608/SDC/Oinam of 2018

Leichombam Sanatomba Singh S/o (L) L. Chaobhal Singh of Leimaram Awang Leikai.

...... Applicant

-Vrs-

1. (L) Leichombam Chaobhal Singh S/o (L) L. Khomei Singh of Leimaram. (0.60 acre)
2. Leichombam Mala Devi W/o (L) Jiten Singh of –do– (0.24 acre)

...... O.P. Pattadars

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Oinam, the 20th December, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৮-লৈশ্রামগী পাট্টা নং ৩১৬ (অনৌবা) দাগ নং ১০৯০, এরিয়া একর ০.৮৪ চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লুগা মাগী শরুক মখে নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/2791/22

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref:- Mut. Case No. 721/SDC/NTK/2018

Thokchom Tomba Singh S/o (L) Ibochou Singh of Thinungei.

... Petitioner

-Vs-

Late Thokchom Biramangol Singh S/o (L) Ibochou Singh of Thinungei.

... Opponent

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Ningthoukhong, the 20th Dec., 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 46-Phubala Village গী Patta No. 284 (O) 15 (N) C.S. Dag No. 128, 129, 130 and 131 an area 6.47 acre of Phourel Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী ময়াম্বা (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৮/১২/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/2786/22

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 1066/SDC/IW(P) of 2018

1. Kongjengbam (O) Ibempishak Devi W/o (L) Muhindro Singh of Tera Sapam Leirak.
2. Monika Kongjengbam D/o (L) Ibochouba Singh of Tera Sapam Leirak.

-Petitioners

-Vrs-

Late Shri (1) (Late) Kongjengbam Ibochouba Singh S/o (L) Ibohal Singh of Tera Sapam Leirak.
2. (Late) Kongjengbam Muhindro Singh S/o (L) Ibohal Singh of Tera Sapam Leirak.

-O.P. Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

21/12/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৯৪-লাংজিংগী পাট্টা নম্বর ৭৮ (অরিবা), ৫৬/৭৯৫ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১৮৯/১০৪৫ গী পোইন্ট ০.৩৭ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী কো: পাট্টাদার অনী অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৯/১২/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/2793/22

চয়োল অমগী মতুংদসু কোল মাইনর ১৩ কনবা ঙমদ্রি

শিল্লোং, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): অৱাং নোংপোক্কী মেঘালয়া ষ্টেটকী ইষ্ট জান্তিয়া হিলসতা লৈবা কোল মাইনদা থোরকপা য়াদনা লৈরিবা মাইনর ১৩ চয়োল অমা ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা মখোয়বু লৌথোকপা ঙম্বগী পান্থৈ লৈত্রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা নেসনল দিজাষ্টর রিলিফ ফোর্স, ষ্টেট দিজাষ্টর রিলিফ ফোর্স অমদি ষ্টেট পুলিসকী অপূনবা খুৎপু ১০০ হেনবনা ইষ্ট জান্তিয়া হিলসতা লৈবা কোল মাইন অমদা মিটর ৩৭০ লুবা মফমদগী থোরকপা ঙমদ্রিবা মাইনর ১৩ কনবগী থবক থৌরমশিং অদু চয়োল অমা হৌখ্রবা ফাওবদা মায় পাকপা ঙমদ্রি।

ইষ্ট জান্তিয়া হিলসকী দেপ্যুটি কলেক্টর এফ এম দোপথনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, এন দি আর এফ, এস দি আর এফ অমদি সিবিল দিফেন্স টিমনা য়াম্না কন্না মাইনর ১৩ অদু কন্নবগী থবক চৎখরি। অদুবু মাইনর ১৩না মিটর ৩৭০ লুনা লৈবা মফম অদুদা থবক তৌদুনা লৈখিবা অদু কংফালদা পুখৎতুনা মখোয়বু কন্নবগী থবক থৌরম কয়া চৎখরবসু মখোয়না লৈরিবা মফম অদুদা ঈশিং য়ুশিল্লকপগী অচৌবা মরম অমা লৈবনা ওফিসলশিংনা ঈশিং চিংথোকপগী থবক থৌরমশিং অদুদা অৱাবা অমা মায়োক্লবা মরম্না মাইনর ১৩ অদুবু লৌখৎপা ঙমদনা লৈরি।

ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা ফোঙদোকখিবদা, মাইনর ১৩ অদুবু অশোয় অঙাম য়াওদনা কন্নবগী অকক্লবা থবক থৌরমশিং লৈঙাক অদুগী মরুওইবা ওফিসলশিংগা লোয়ননা পায়খৎলি হায়না ফোঙদোকখি। পনবা য়াই, থা অসিগী ১৩ দা লোনা য়াদবা কোল ফংনবা তৌখিবা কোম অমনা মরম ওইরগা হায়রিবা মাইনর ১৩ অদু অৱাবা তাখিবনি।

SEXUAL ASSAULT & PROTECTION OF CHILDREN FROM SEXUAL OFFENCES ꯄꯣꯛꯁꯣ (POCSO) ACT 2012

Child Protection
POCSO Act - 2012

An Act to protect children from offences of sexual assault, sexual harassment and pornography and provide for establishment of special courts for trial of such offences and for matters connected therewith or incidental thereto

SALIENT FEATURES of POCSO

1. It is gender neutral.
2. It makes the reporting of sexual abuse mandatory.
3. It makes the recording of sexual abuse mandatory.
4. It lists all known types of sexual offences towards minors.
5. It provides for the protection of minors during the judicial process.

PROVISION OF POCSO

- Police officers must bring every case to the attention of the Child Welfare Committee within 24 hours of receiving a report.
- They must be in plain clothes while recording the minor's statement so as to not appear intimidating.
- The statement must be recorded in a place chosen by the minor, in the presence of a person that he/she trusts.
- The medico-legal examination for the collection of forensic evidence must be conducted only by a female doctor, in the presence of a person that the minor trusts.
- The minor is not exposed in any way to the accused during the recording of evidence.
- The case is disposed within one year from the date of the offence being reported.
- The defence routes all questions through the judge and is not allowed to ask them in an aggressive manner.
- An interpreter, translator, special educator or any other expert is present in court for the minor's assistance.
- Compensation for medical treatment and rehabilitation is given to a minor who has been sexually abused.

Procedure for Media:

No report in any media shall disclose, the identity of a child including his name, address, photograph, family details, school, neighbourhood or any other particulars which may lead to disclosure of identity of the child (section 23(2))

shall be liable to punished with imprisonment of either description for a period which shall not be less than six months which may extend to one year or with fine or with both

POCSO ACT

Sl. No.	OFFENCE	IMPRISONMENT / FINE
1.	Penetrative Sexual Assault (i.e penetration by penis to mouth, vagina, urethra or anus or penetration by any body part or object to vagina, urethra or anus of a child)	Minimum 7 yrs which may extend to life with fine or with both
2.	Aggravated Penetrative Sexual Assault (i.e committed by a person of trust or authority such as police officer, member of arm forces, a public servant, staff of jail, remand home, observation home or care and protection established under any law)	Minimum 10 yrs which may extend to life with fine or with both
3.	Sexual Assault: (To touch the child's or make the child to touch his/her or any other person vagina, penis, anus or breast)	3 yrs to 5 yrs
4.	Aggravated Sexual Assault: (Sexual assault committed by person of trust & authority)	5 yrs to 7 yrs
5.	Sexual Harassment: (with sexual intent-utters any words, gestures or makes a child exhibit his whole or any partof his body, shows any object of pornography to child or threaten to use, in any form of media, a real or fabricated depiction through electronic, film or digital or other mode involving the child in a sexual act, etc or entices a child for pornographic purposes or gives gratification therefore)	Imprisonment which may extent to 3 yrs
6.	Use of Child for Pornographic Purposes	5 yrs to life improsonment depending upon the role of accused in the pornographic material
7.	Abetment: Instigate, engages or a person to commit sexual assault to a child	Punishment provided for offences abetted
8.	Attempt: Attempt to commit offences against child	Half of the punishment prescribed for offence attempted
9.	Non Reporting of offences: (i) By head of institution (ii) By others (iii) By personnel of media, hotel, lodge, hospital, club studios or photographic facilities (iv) Non-recoding of information reported by police	(i) 1 years (ii) 6 months (iii) 6 months (iv) 6 months
10.	Monitoring Authority: State Commission for Protection of Child Rights shall monitor the implementation of provision of the Act.	

THE CRIMINAL LAW (AMENDMENT) ACT, 2018

Sl. No.	OFFENCE	IMPRISONMENT / FINE
1.	Rape on a Woman/Girl under 16 years of age	Rigorous imprisonment for term which shall not be less than 20 years, but which may extend to imprisonment for life, which shall mean imprisonment for the remainder of that person's natural life and shall also be liable to fine.
2.	Rape on a Women/Girl under 12 years of age by one or more persons constituting a group or acting in furtherance of a common intention.	Each of those persons shall be deemed to have committed the offence of rape and shall be punished with imprisonment for life, which shall mean imprisonment for the remainder of that person's natural life, and with fine, or with death.

Published in Public Interest by State Child Protection Society, ICPS, Social Welfare Department, Govt. of Manipur

HL-B/5076/22